## জিঝান এয়রপোর্টতা দ্রোন এটেক চংখ্রে

কাইরো, জুন ০৮ (এজেন্সি) : যেমেনগী ইরান্না শৌগৎপা হৌথি মুভমেন্টনা লৈবাক অসিগী বোর্দরগা নক্লবা সাউদি অরাবিয়াগী জিঝান এয়রপোর্টতা টার্গেট তৌদুনা দ্রোন এটেক চংখ্রে হায়না গ্রুপ অসিগী টি ভি অল-মসিরাহনা নোংমাইজিং নুমিত্তা ত্বিট অমদা ফোঙদোকখ্রে। এটেকশিং অদু এয়রপোর্ট অদুদা লৈরিবা সাউদি দ্রোন বঙ্করশিং অমসুং ষ্টেসনশিংদা টার্গেট তৌখি হায়রি।

## দোলর বিলিয়ন ৫০গী ব্রেক্সিট পেমেন্ট ফাজিনগনি

লন্দন, জুন ০৯ (এজেন্সি) : য়ুরোপিয়ন য়ুনিয়ন্না বৃটেন্দা এক্সজিটকী হেন্না ফবা টর্মশিং পীদ্রিফাওবা মমাংদা য়ানখ্রবা দোলর বিলিয়ন ৫০গী ওইবা ব্রেক্সিট পেমেন্ট ফাজিদুনা থমগনি হায়না টেরেসা মেগী মহুৎ শীন্দুনা বৃটেনগী মথংগী প্রাইম মিনিষ্টরগী ফম তান্নবগী কন্টেষ্টতা মাঙজিন থারিবা লমজেল বোরিস জোন্সন্না কিহনখ্রে।

## টেররিজমগী মতাংদা গ্লোবেল কনফরেন্স পাঙথোক্লবা নরেন্দ্র মোদিনা আপিল তৌখ্রে



মালে, জুন ০৯ (এজেন্সি): টেররিজম্না সাউথ এসিয়া অমসুং মালেমগী মফম কয়াদা পীরিবা অকিবা থেংনেনবা গ্লোবেল কনফরেন্স অমা পাঙথোক্লবা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা আপিল তৌখ্রে।

মীখলদা অমুক হন্না মায় পাক্তুনা অনীশুবা টর্ম অমগী প্রাইম মিনিষ্টর ওইনা ওফিস পায়বা হৌরবা মতুংদা মহাক্কী অহানবা মীরৈবাক্কী খোঙচৎ অমদা মালদিবজকী কেপিটেল মালেদা লৈবা লৈবাক অসিগী পার্লিয়ামেন্টতা ৱা ঙাঙলদুনা মোদিনা হায়খি মদুদি, টেররিজম হায়বসি লৈবাক অমখক্লা মায়োক্নবা অকিবা অমা নত্তে, তৌইগুম্বসুং সিভিলাইজেসন অপুম্বনা মায়োক্নরিবা অচৌবা অকিবা অমনি।

ক্লাইমেট চেঞ্জনা মালেমদা পীরিবা অকিবগা মরী লৈননা ইন্টরনেসনল কম্যুনিটিনা থৱায় য়াওনা শীন-লাংদুনা গ্লোবেল কনভেন্সন অমসুং কনফরেন্স কয়ামরুম পাঙথোকখ্রে। অদুবু টেররিজমগী ৱাফম অসিগী মতাংদদি করিগীদমক্তা গ্লোবেল কনফরেন্স পাঙথোক্ত্রিবনো হায়বসি হংনিংঙাই ওইবা ৱাহং ওইরক্লি হায়না মোদিনা মখা তাখি।

টেররিষ্টশিং অমসুং মখোয়বু শৌগৎলিবশিংনা খুদোংচাবা লৌগদবা লোগী অশোয়বা নৎত্রগা অহোবা কয়া মেনশিনবা ঙম্নবা গ্লোবেল কনফরেন্স অমা পাঙথোকপগী তঙাইফদবা লৈ হায়বা ৱাফম থম্বগা লোয়ননা মহাক্না হায়খি মদুদি, অসিগুম্বা কনফরেন্স অমা পাঙথোকপনা টেররিষ্টশিংনা খুদোংচাবা লৌনবা হোৎনরিবা লোগী অশোয়বা কয়া চুমথোক্লবা অমদি তঙাইফদবা চান্নবা লো কয়া শেম্বা ঙম্নবা ৱাহন্থোক লৈনা অমদি মহয় য়ানগদবা মওংদা খন্নবা য়াগনি।

সাউথ এসিয়াদা মতম শাংনা য়েংথিনদুনা লাকপা পাকিস্তানগা মরী খরা ফগৎলকপা য়াবগী ইঙ্গিৎ লৈরবসু ইন্দিয়ানা সাউথ এসিয়াদা লৈবাক অসিগী মীচংশিংদা মীৎয়েং থমদুনা য়ুম্লোল কৈরোন্নবশিংবু হান্না মরু ওইনা খন্নবা হায়বা ফোরেন পোলিসি অমা ঙাক্তুনা লাক্লিবনি হায়না ইন্দিয়াগী পোলিটিকেল এনালিষ্টশিংনা মোৎ পীনরি। প্রাইম মিনিষ্টর মোদিগী মালদিভজ খোঙচৎ অসি হৌখিবা চহী খরা অসিদা ইন্দিয়ন ওসিনদা তাশিন্দুনা ষ্ট্রেটেজিক্কী খোঙথাং কয়া লৌখৎলকপগা লোয়ননা লমদম অসিদা লৈরিবা লৈবাক কয়াগা মিলিটরিগী মরী ফগৎহন্নবা হোৎনরক্লিবা চাইনাগী থৌওংশিং থেংনবা ঙম্নবগী পান্দমদনি হায়না লৌনরি।

## এঞ্জেলিনা জোলিনা মালেমদা ভেনিজ্যুএলাগী অঙাংশিংগীদমক্তা মতেং পাংনবা তকশিনখ্রে

বোগোতা, জুন ০৯ (এজেন্সি): ভেনিজ্যুএলাগী অঙাং ২০,০০০ বেসিক সিটিজনসিপ রাইট ফাওবা ফংদবগী ফিভমদা লৈরে হায়রদুনা হোলিৱুল ষ্টার এঞ্জেলিনা জোলিনা ইন্টরনেসনল কম্যুনিটিদা অচৌবা পোলিটিকেল ক্রাইসিস অমা থোক্লিবা ভেনিজ্যুএলাগী মাইগ্রেন্ট অয়াম্বা লৈরিবা সাউথ অমেরিকাগী লৈবাক অহুমদা অহেনবা মতেংশিং পীনবা আপিল তৌখ্রে।



য়ুনাইটেদ নেসন্স হায় কম্মিস্নর ফোর রেফ্যুজিজ (য়ু এন ঐচ সী আর)গী ওফিসকী স্পেসল এনভোই ওইনা বোগোটাদা ৱা ঙাঙবদা জোলিনা আপিল অসি তৌখিবনি। কলম্বীয়াদা লৈরিবা ভেনিজ্যুএলাদগী লাকখিবা মাইগ্রেন্টশিং উননবগী নুমিৎ নিনিগী খোঙচৎ অমদা বোগোতাদা লৈরিবা জোলিনা কলম্বীয়াগী প্রসিদেন্ট ইভান দুকিগসু উনখি।

ভেনিজ্যুএলাদা শেল-থুমগী অমদি অতৈ অৱাবা ফিভম কয়া মায়োক্নরকখিবগা লোয়ননা লৈবাক অসিগী রেফ্যুজি অমসুং মাইগ্রেন্ট মিলিয়ন ৪ সাউথ অমেরিকাগী অতৈ লৈবাক কয়াদা চেন্নখ্রবনি। ভেনিজ্যুএলান রেফ্যুজি মিলিয়ন ১ হেন্না হৌজিক কলম্বীয়াদা লৈরি। হান্নদগী শেল-থুমগী খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্নরিবা অমসুং ইরাং লৈবা বোর্দর লমদমশিংদা লেপ্লা লৈতনা থুংলরিবা মাইগ্রেন্টশিংগী লৈফম, চান-থক্লবা পোৎলমশিং অমসুং হেল্থ ক্যের পীনবা হোৎনবদা হৌজিক কলম্বীয়াগী গভর্নমেন্ট অমসুং এইদ এজেন্সিশিংনা অচৌবা অৱাবা অমা মায়োক্নরি।

ভেনিজ্যুএলাগী কোন্স্যুলেটশিংগী মশিং হন্থরকপা নৎত্রগা কোন্স্যুলেটশিং অসিদা মাইগ্রেসনগী চে-চাং লৈতবনা মরম ওইদুনা মপান্দা পোক্লিবা ভেনিজ্যুএলাগী অঙাংশিংগী মমা-মপাশিংনা মখোয়গী অঙাংগী বার্থ রেজিষ্টর তৌনবা হোৎনবদসু অৱাবা মায়োক্নরে হায়রি।

ভেনিজ্যুএলাগী পোলিটিকেল ৱাথোক অদুগী চৈথেং মায়োক্নরিবা কলম্বীয়া, পেরু অমসুং এক্কাদোরদা অহেনবা মতেং কয়া ইন্টরনেসনল কম্যুনিটিনা য়াম্না থুনা পীবগী তঙাইফদবা লৈ হায়না ঐহাক্না প্রসিদেন্টগা ৱারী শান্নবদা ৱাখল তাম্মিন্নরে হায়না জোলিনা ফোঙদোকখি।

## ইনভেষ্টিগেটিভ জর্নেলিষ্ট মোস্কোদা হাউস এরেষ্ট তৌখ্রে

মোস্কো, জুন ০৯ (এজেন্সি): রসিয়ন ইনভেষ্টিগেটিভ জর্নেলিষ্ট ইভান গোলুনোভ মোস্কোদা থাংজ নুমিত্তগী হাউস এরেষ্ট তৌদুনা থমখ্রে। মহাক্কী মথক্তা দ্রগ লল্লোনবদা চেন্নবগী কেস অমগী মতাংদা ইনভেষ্টিগেসন চংখবা য়ানবা মহাক থা অনী চুপ্পা হাউস এরেষ্ট তৌদুনা থমগাদৌরিবনি হায়রি।

ইনভেষ্টিগেটরশিংনা জর্নেলিষ্ট ইভান গোলুনোভপু মখোয়গী কষ্টদিদা থমদুনা থিজিনগে হায়না হায়জবদা কোর্ট অমনা য়াখিদ্রবা মতুংদা মহাকপু থা অনী হাউস এরেষ্ট তৌদুনা থম্নবা খঙহনখিবনি হায়রি।

পুলিস অমসুং লাটভিয়াদা বেজ তৌবা মহাক্কী ইমপ্লোয়র ওইরিবা ওনলাইন ন্যুজ পোর্টেল মেদুঝাগী মতুং ইন্না মশাগী চহী ৩৬ শুরবা গোলুনোভ অসি শগোলশেল নুমিত্তা সোর্স অমা উনবা চৎলিঙৈদা সেন্ট্রেল মোস্কোদা ফাজিনখিবনি অমসুং মহাক্কী নম্বোখাওদা অথিংবা থম্বা দ্রগশিং য়াওরম্বা থেংনখি।



মোস্কো সিটিগী ওফিসলশিংনা চংথরিবা করপসনগী থবক থৌওং কয়াগী মতাংদা থিজিনবগীদমক্তা খঙনরবা জর্নেলিষ্ট অমা ওইরিবা গোলুনোভকী উকিল অমনা হায়খি মদুদি, পুলিসনা মরাল শীবা য়ানবা দ্রগশিং অদু মহাক্কী ক্লাইন্টকী নম্বোখাও অদুদা হাপচিনখিবা ওইরমগনি হায়না মহাক্না থাজে। গোলুনোভপু ফু-চৈবগী থৌওং কয়াসু চংথখি।

অমরোমদা, ইনভেষ্টিগেটিভ জর্নেলিষ্ট গোলুনোভনদি মঙোন্দা দ্রগকা মরী লৈননা শিরিবা মরালশিং য়াদ্রি। মহাক্না কোর্টকী রিসেস মনুংদা মফম অদুদা তিল্লিবা মীওইশিংদা হায়খি মদুদি, ফ্যুনরেল সর্ভিস ইন্দষ্ট্রিগী মতাংদা চংখবা ইনভেষ্টিগেসন অমগা মরী লৈননা মঙোন্দা কিহল্লকপা কয়া লৈখি।

ঐহাক্না ক্রাইম অমত্তা তৌখিবা লৈতে, ইনভেষ্টিগেসন অদুদা কোওপরেসন পীনবা ঐহাক্না শেম শাদুনা লৈ, দ্রগশিং অদুগা ঐহাক্না মরী অমত্তা লৈনদে হায়না গোলুনোভকী ৱারোল পল্লদুনা রসিয়ন ন্যুজ এজেন্সিশিংনা ফোঙদোকখি।

ইনভেষ্টিগেটিভ জর্নেলিষ্ট অসি দ্রগ চাওনা য়োনবগী মরাল শীবগা লোয়ননা ইনভেষ্টিগেটরশিংনা কোর্টতা মহাকপু থা অনী কষ্টদিদা রিমান্দ তৌনবা হায়জখিবনি। কোর্ট অদুগী মপান্দা সপোর্টর চা কয়ানা প্রেসপু নীং তমহল্লু হায়বা খোল্লাও লাউখি। কোর্টতা পুথোক্ত্রিঙৈগী মমাংদা জর্নেলিষ্ট অসি মশা নুংঙাইতবদগী হোস্পিটালদা পুখৎখি হায়রি।

## সিভিল দিসওবিদিয়েন্স মুভমেন্টনা সুদানগী কেপিটেল খার্তুমগী লম্বীশিং খুন্তাক লানশিহনখ্রে

খার্তুম, জুন ০৯ (এজেন্সি): সিভিলিয়ন লৈঙাক লৈহন্নবা সিভিল দিসওবিদেয়েন্স কেম্পেয়ন অমা হৌখিবগা লোয়ননা সুদানগী কেপিটেল খার্তুমগী লম্বীশিং নোংমাইজিং নুমিত্তা খুন্তাক লানশিখ্রে। অমরোমদা, খার্তুমগী অৱাংথংবা শরুক্তা প্রোটেষ্টরশিং তানখায়নবা হোৎনবদা পুলিসনা টিয়র গ্যাস কাপখ্রে হায়রি।



সিক্যুরিটি ফোর্সশিংনা হৌখিবা নিংথৌকাবা নুমিত্তা পোটেষ্ট কেম্প অমা নোংমৈ কাপশিনদুনা থুগায়খিবদা মীওই কয়া মীশি-মীনা থোক্তুনা হান্নগী প্রসিদেন্ট ওমর অল-বাসিরবু হৌখিবা এপ্রিলদা মফমদগী চিংথুখিবা মতুংদা লৈবাক অদুদা মরা তপ্পা মওংদা ট্রাঞ্জিসনগী ফিভম অমা লাক্লগনি হায়না থাজনরম্বদা অকায়বা পীখ্রবা মতুংদা ওপোজিসন অমসুং প্রোটেষ্ট গ্রুপশিংনা ৱার্করশিংদা ময়ুম-ময়ুমদগী হেন্দোক্তনবা খঙহনখিবনি।

বাসিরবু মফম লৌথোকখ্রবা মতুংদা কনানা ট্রাঞ্জিসন কন্ট্রোল তৌদুনা লৈবাক অদুদা মীফম পাঙথোকপা য়াহনগদগে হায়বগী মতাংদা রুলিং মিলিটরি কাউন্সিল অমসুং দিক্লারেসন ওফ ফ্রীদম এন্দ চেঞ্জ ফোর্সেস (দি এফ সী এফ) এলাইয়েন্সকী মরক্তা চয়োল কয়া নিগোসিএসন চংথবদা য়ানবা পুরকপা ঙমখিদ্রবা মতুংদা সিক্যুরিটি ফোর্সশিংনা নিংথৌকাবা নুমিত্তা ওপোজিসন্না শীন-লাংখিবা প্রোটেষ্ট কেম্প অদু থুগায়খিবনি।

সুদান্দা চয়োলগী থবক হৌবা নুমিৎ ওইরিবা নোংমাইজিংগী অয়ুক্তা খার্তুমগী লম্বীশিংদা তঙাই ফদবা খরদমক নত্তনা মী চৎপা নৎত্রগা গাড়িশিং চেনবা উবা ফংখিদে। পব্লিক ট্রান্সপোর্টসু নীংথিনা থবক তৌখিদবগা লোয়ননা কম্মর্সিল বেঙ্ক, প্রাইভেট কম্পনি অমসুং বিজিনেস ইষ্টাব্লিসমেন্ট অয়াম্বা থোঙ লোন্নখি। খার্তুম এয়রপোর্টতা ট্রাভেল্লরশিংনা দিপার্চর হোলদগী হেন্দোক্তনা লৈনখি। ইন্টরনেট সর্ভিস লেপখিবনা মরম ওইদুনা ট্রাভেল এজেন্সি অয়াম্বা থোঙ লোন্নখি অমসুং টিকেটকী মমল কা হেন্না ৱাংখি।

## চাইনাগী টেলিকোম কম্পেনি ৱাৱেনা লৈবাক ৩০দগী ৫জিগী কম্মর্সিএল কন্ট্রেক্ট ৪৬ ফংখ্রে




বৈজিং, জুন ০৯ (এজেন্সি): চাইনিজ টেলিকোম জাইয়ন্ট ৱাৱেনা হৌজিক ফাওবদা লৈবাক ৩০ দগী কম্মর্সিএল ৫জি কন্ট্রেক্ট ৪৬ ফংদুনা অমসুং মালেমদা ৫ জি ষ্টেসন লাখ অমা হেনবগী মচাক-মথুমশিং থাদোক্তুনা কম্পেনি অসিগী ৫ জি সর্ভিসশিং শীজিন্নবদা য়ু এসনা থিংবা লৈরবসু সুপর-ফাষ্ট টেলিকম্যুনিকেসন্স সিষ্টেম লিংবগী লমজেলদা মকোক থোংবা প্লেয়র অমা ওইবা ঙম্লে হায়না কম্পেনি অসিনা ফোঙদোকখ্রে।

ৱাৱোগী সিষ্টেমশিং বৈজিংনা অতৈ লৈবাকশিংদগী অরোন-অথুপকী ঈ-পাউ কয়া লৌবা য়ানবা মেনিপ্যুলেট তৌবা অমসুং মরু ওইবা কম্যুনিকেসনশিংদা অকায়বা পীবা য়াই হায়রদুনা য়ু এসনা কম্পেনি অসিদা অথিংবা থম্বগী ৱার্নিং অমা থোকখ্রবা মতুংদা শেনঝেংদা হেদ ক্বার্টর ওইবা ফার্ম অসিদা অকনবা প্রেসর লাকখিবনি। চাইনাগী মিনিষ্ট্রি ওফ ইন্দষ্ট্রি এন্দ ইনফোর্মেসন টেক্নোলোজিনা হৌখিবা শগোলশেল নুমিত্তা ষ্টেটনা চলাইবা টেলিকোম জাইয়ন্ট মরিদা ৫জি সর্ভিসশিং হৌবা য়ানবগীদমক্তা ৫ জি লাইসেন্সশিং কম্মসিএল ওইনা শীজিন্নবগী অয়াবা পীখিবনি।

খোঙথাং অসিনা সুপর ফাষ্ট ৱ্যেরলেস নেটৱার্কশিং লিংবদা বৈজিংগী গ্লোবেল লিদর অমা ওইনবগী অচেৎপা ফিরেপ লৈ হায়বসি উৎখি। মিনিষ্ট্রি ওফ ইন্দষ্ট্রি এন্দ ইনফোর্মেসন টেক্নোলোজিনা লাইসেন্সেস ইশ্যু তৌখিবা টেলিকোম জাইয়ন্ট মরি অদুদি চাইনা ব্রোদকাষ্টিং নেটৱার্ক অমদি টেলিকোম ওপরেটর অহুম-চাইনা টেলিকোম, চাইনা মোবাইল অমসুং চাইনা য়ুনিকোম অসিনি। চাইনানা ৫জি কম্মসিএল ওইনা শীজিন্নবগীদমক্তা কম্পেনি অসিনা শেম শারে হায়না ফোঙদোকখি।

হৌখিবা চহীগী ফেব্রুৱারিদা ৱাৱেনা মালেমগী অহানবা ৫জি কোল তৌখিবগা লোয়ননা অহানবা ৫জি টর্মিনেল দিভাইস লোঞ্চ তৌখি। প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ট্রম্পনা চাইনাগী দোলর বিলিয়ন ২০০গী পোৎথোকশিংদা অহেনবা টারিফ কয়া লাউথোকখিবা মতুং বৈজিংগী মায়কৈদগীসু দোলর মিলিয়ন ৬০গী অমেরিকান প্রদক্টশিংদা দ্যুটিশিং হেনগৎহনখিবা মতুংদা চাইনা অমসুং য়ু এসকী লল্লোন-ইতিক্কী লান কনশিল্লকখিবা ফিভমদা ৱাৱেনা চৈথেং চাওনা ফংখিবনি।

লৈবাক অনীগী লল্লোন ইতিক্কী লান অসি য়ু এসনা মালেমগী লৈবাকশিংদা ৫জি নেটৱার্কশিং শেমগৎপদা কম্পেনি অসিগী সর্ভিসশিং নৎত্রগা পোৎথোকশিং শীজিন্নদনবা তকশিনখিবগা লোয়ননা টেক্নোলোজিগী লান অমা ওইরকখি।

CIN NO. U40101MN2013SGC008344
**MANIPUR STATE POWER COMPANY LIMITED**
*Keishampat Junction, Imphal – 795001*
Corporate Office:- Electricity Complex, Patta No. 1293 under 87(2), Khwai Bazar, Keishampat, Imphal – 795001, Manipur, INDIA
Fax : +91 385 2450702
Tele: +91 385 2450050

**NOTIFICATION**

Imphal, the 7th June, 2019

No. 4/1(2)/Apptt(C&D)/MD-MSPCL/2019: 522-35 In continuation of this office notification of even number dated 30/01/2019, 07/02/2019, 05/03/2019, 30/05/2019 and 31/05/2019, it is hereby notified for general information of all intending and eligible candidates that the Written Examination for Direct Recruitment for various Group C and D posts in Manipur State Power Company Limited (MSPCL) will be held w.e.f 14th June,2019 to 19th June,2019 as per programme given below:-

| Sl.No | Date of Examination | Morning 10:00 AM to 12:30 PM | Afternoon 2:00 PM to 4:30 PM |
|---|---|---|---|
| (1) | (2) | (3) | (4) |
| 1 | 14-06-2019 | X | Junior System Assistant/Watchman cum Cleaning Assistant/Office Assistant |
| 2 | 15-06-2019 | X | Junior Establishment Assistant/Assistant Store Keeper |
| 3 | 18-06-2019 | X | Control Room Assistant |
| 4 | 19-06-2019 | Computer Operator | Driver |

2. Venue of the Examination Centers along with the Roll Numbers are listed at Annexure-I.
3. This Notification is uploaded in the Government of Manipur website www.manipur.gov.in and the Company website www.mspcl.in for general information.

Sd/- N. Sarat Singh
Managing Director, MSPCL

Annexure to Notification No. 4/1(2)/Apptt(C&D)/MD-MSPCL/2019 dated 7th June 2019
Centre-Wise Allotment of Roll Numbers in respect of Written Examination to be commenced from 14/06/2019 for Recruitment of Group-C (Computer Operator/Control Room Assistant/Junior Establishment Assistant/Assistant Store Keeper) & Group-D (Junior System Assistant/Office Assistant/Watchman Cum Cleaning Assistant) in Manipur State Power Company Limited (MSPCL)

| Sl. No. | Centre | *JSA/WCCA/OA Roll Numbers | *CO Roll Numbers | *JEA/ASK Roll Numbers | *CRA Roll Numbers | *DRIVER Roll Numbers |
|---|---|---|---|---|---|---|
| 1 | Manipur Public Service Commission | 0001-0709 | - | - | | |
| 2 | Little Flower | - | - | 0001-0501 | | |
| 3 | Ramlal Paul Hr. Sec. School | 0710-1159 | 2620-2932 | 0502-0954 | 0001-0379 | 0001-0125 |
| 4 | G.P. Women's College | 1160-1868 | - | - | | |
| 5 | Johnstone Hr. Sec. School | 1869-2478 | - | 0955-1559 | | |
| 6 | Ibotonsana Hr. Sec. School | 2479-2984 | 2114-2619 | 1560-2060 | | |
| 7 | DM College of Science | 2985-3642 | - | 2061-2712 | | |
| 8 | DM College of Arts | 3643-4406 | - | - | | |
| 9 | DM College of Commerce | 4407-4708 | - | 2713-3013 | | |
| 10 | Imphal College | 4709-5320 | - | - | | |
| 11 | Ananda Singh Hr. Sec. School | 5321-5825 | 1611-2113 | 3014-3520 | | |
| 12 | Wangkhei High School | 5826-6178 | 1259-1610 | 3521-3874 | | |
| 13 | Lamlong Hr. Sec. School | 6179-6582 | - | 3875-4279 | | |
| 14 | Model Hr. Sec. School | 6583-7089 | 0752-1258 | 4280-4695 | | |
| 15 | Lilashing Khongnangkhong High School | 7090-7340 | 0501-0751 | 4696-4949 | | |
| 16 | C.C. Hr. Sec. School | 7341-7872 | 0001-0500 | 4950-5465 | | |

*JSA : Junior System Assistant
*WCCA : Watchman Cum Cleaning Assistant
*OA : Office Assistant
*CO : Computer Operator
*JEA : Junior Establishment Assistant
*ASK : Assistant Store Keeper
*CRA : Control Room Assistant

HL-B/5459/10,11

